**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহনা লৈখিদবদা জাতি অসিনা নুমিৎ ৭ নি অৱাবা ফোংদোক্লি। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কনি।

২) আইন মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়রি- বি.জে.পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সংবিধানবু খোঙগাউনবগী থৌওং অমত্তা চৎখিবা লৈত্রি।

৩) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সনাশাবীদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা পুলিসকী মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই অনি অশোক অপন নংলে।

৪) থা অমা মখায়দগী চহি অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম- সব ষ্টেট পেন্টাবলেন্ট ৱান কেটচ অপ ভেক্সিনেসন কেম্পেন ঙসি হৌদোকখ্রে।

অমসং

৫) ৪৩ শুবা আরকাইবস ৱিক সেলেব্রেসন কম রেকোর্দ একজিবিসন ঙসিদগী ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আরকাইবসতা হৌখ্রে।

------

মনমোহোনঃ ভারতগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা লৈবাক অসিনা জাতিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। নুমিৎ ৭ নি চুপা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈবাক

অসিনা ইকায় খুমবা উৎকনি। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম হয়েং অয়ুক পাঙথোক্কনি।

হান্নগী প্রধান মন্ত্রি-ডা: মনমোহোন সিংহনা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী অৱাবা ফোংদোকপগী পাউজেলদা শ্রী বিরেননা হায়-মীৎয়েং শানবা লুচিংবা ওইবতা নত্তনা ডা: মনমোহোন লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাং ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

ডা: মনমোহোননা লৈখিদবদা বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহ, শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমার, পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগো অমসুং রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কৈশাম মেঘাচন্দ্র, জনতা দল য়ুনাইতেদ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন সিংহ, সু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

বসন্ত (এল)ঃ রাজ্যগী লো এন্দ লেজিসলেতিভ এফ্যারস মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়রি- বি.জে.পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী সংবিধানবু খোঙগাউনবগী থৌওং অমত্তা চখুখিবা লৈত্রি।

ইম্ফালদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-কংগ্রেসনা লৈবাক অসিদা সাসন পায়রিঙৈ মতমদগী হৌরগা ইম্মরজেন্সি থমজিনবা য়াওনা হৌজিক ফাওবদা সংবিধানগী খোঙগাউনবগা থৌওং কয়া চখুখ্রে। কংগ্রেসকী দিপ্যুতি সি.এল.পি. লিদরসু ওইরিবা এম.এল.এ- কে. রঞ্জিৎনা ঙরাং ফোংদোকখিবা ৱাফম সরকারনা সংবিধানগী প্রোভিজনশিং ঙাকা চৎত্রে । চহি অমদা এসেমব্লি মীফম মশিং শুদনা কৌরে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু মন্ত্রিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা সংবিধানগী আর্তিকল ১৭৪ এমেন্দ তৌখ্রে হায়না ফোংদোকখ্রবসু শ্রী রঞ্জিৎনদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা অদুমক ঙাংলি। আর্তিকল অসিগী মতুংইন্না থা ৬ খুদিংগী বিধান সভাগী মীফম পাঙথোক্কদবনি

হায়না পল্লি। সরকারনসু মসিবু ঙাক্তুনা লাক্লি হায়না শ্রী বসন্তকুমারনা মখা তানা ফোংদোকখি।

পুলিস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সনাশাবীদা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা পুলিসকী মীওই অমা য়াওনা পুন্না মীওই অনি অশোক অপন নংলে। পুলিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদুদা শোক্লবা পুলিসকী মীওই অদু ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী জেনিমস হোস্পিতালদা পুখৎলকখ্রে। মহাক হৌজিক মখা তানা লায়েংবগী থবক চথরি। অতোপ্পা অদুনা খুল ঙাকপা মীওই অমনি হায়রি। মহাক মখুৎতা নোংমৈ মরুনা পানবদগী লন্নাই হোস্পিতাল অমদা প্খৎতুনা লায়েংলি। অদুমওইনমক মহাক খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

হিদাক (এল)ঃ থা অমা মখায়দগী চহি অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা লায়নাদগী ঙাকথোকবা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম- সব ষ্টেট পেন্টাবলেন্ট ৱান কেটচ অপ ভেক্সিনেসন কেম্পেন ঙসি হৌদোকখ্রে। অঙাংশিংদা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদি ককচিং জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা শিন্দুনা লমফেলপাৎতা লৈবা মোদেল ইম্ম্যুনাইজেসন সেন্তর আর.দি-ৱিংদা পাঙথোকখি।

এনআইটি (এল)ঃ অৱাং নোংপোক ভারতকী ইনলেন্দ ৱাতর ৱেজ অমসুং রিভরাইন কলচরগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথ্নগদবা নেসনেল সেমিনার অমা ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টতা হৌখ্রে।

সেমিনর অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্ট, মণিপুর সেভা সম্মিতি ইম্ফাল, ইন্টিলেকচ্যুএল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্ট মণিপুর অমসুং অমর কন্তককী ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিতিগী সোসিএল ৱার্ক দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিনবনি। নুমিৎ নিনিগী সেমিনর অসিদা অৱাং নোংপোক

লমদমশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংবু ইনলেন্দ ৱাটরৱেজ ওইনা চৎথোক চৎশিনদা কান্নবা পীরিবা অমসুং মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়াম অমসুং তুরেলগী মরক্তা লৈরিবা কলা সংস্কৃতিগী মরীগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা চে পাথোক্কনি।

সিআরপিএফ (এল)ঃ সি.আর.পি.এফনা মখোয়গী পার্সোনেল অমসুং মীয়ামগা লৈনরিবা মরী ফগৎহন্নবগী খোঙথাং- সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱারোই চীংগী খুঞ্জাশিংদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। সি.আর.পি.এফকী ৮ সুবা বত্তাল্লিয়ন্না পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীয়ামদা ৱাটর প্যুরিফয়ার, সোলর লেম্প অমসুং শান্নখোৎনবগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন্নসু নোনে জিলাগী করুংৱান নুংতেক অমসুং মরাং চীং পার্ট ফোর খুলগী খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

থৌবাল (এল)ঃ মনম নুংশিবা অমদি হিদাক ওইনা শিজিন্নবা পান্বী মখলশিংবু শেন্থোক লৈনা পুথোকবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ওন্টরপ্রেন্যুরসিপ এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজগী সেমিনার হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু এম.এস.এম.ঈ টেকোলোজি সেন্তর ইম্ফাল অমসুং ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ থৌবালগী বোটনিগী দিপার্টমেন্টনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা এম.এস.এম.ই টেকিকেল সেন্তর ইম্ফালগী দিপ্যুতি দিরেক্তর ডাঃ শিনাম য়োরেনতোম্বা মীতৈ অমদি মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী চেয়ারমেন পি. লোকেন সিংহ শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ অঞ্জি দিসএবল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিতি কম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী নাচৌদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুরগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি ওইনাম নবকিশ্বর শরুক য়াখি।

এৱারনেস (এল)ঃ চীংদা লম্মৈ থাবা অমসুং লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাকপী শেনবীবা হায়বা হিরমদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তখেলদা লৈবা চীং তম কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্য সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং য়ুনিভর্সিয়েল ফ্রেন্দসিপ ওর্গানাইজেসন অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা চীংদা লম্মৈ থাবনা উমংগী পোথোক মাংহনবা অমসুং লম্লক্কী শা-উচেকশিং মাংহন্নবগী মরম ওইহল্লি হায়বা ৱাফমশিং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনখি।

ফয়ার (এল)ঃ ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুরগী ফয়ার সবষ্টেসনদা ঙরাংদগী চখুরকখিবা টু দেজ বেসিক লাইফ এন্দ ফয়ার সেফতি ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ফয়ার সার্ভিসকী দিরেক্তর এল. নবচন্দ্র, সব-ওফিসার এ. জিলাঙম্বা অমসুং বিষ্ণুপুর ফয়ার ষ্টেসনগী ও.সি- ট. ওকেননচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি হোস্পিতালদগী লাকপা মীওইশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা থেংননবা ত্রেনিং পীখি।

এৱারনেস (এল)ঃ নুপীশিংবু থবক শুফমদা নমজা নমথেকবা- সেক্সুয়েল হেরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন এট ৱার্ক প্লেস প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা মীয়ম্মু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী মনুং চন্না টেকিকেল সেসন অমসু পাঙথোকখি। থবক শুফমদা নুপীশিংদা অরানবা থবক তৌরকপশিং করমা ৱাকৎকনি হায়বগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনখি।

পুং (এল)ঃ মরিরক শুবা নিংঙোম্বম লৈরেনজাউ সেন্তর ওফ পুংগী মনা পীগদবা মীওইশিংগী মীং লাউথোক্লে। গুরু নিংঙোম্বম লৈরেনজাড নিংশিং মনা

শাপম কুলাবি সিংহদা পীরগনি। অদুগা গুরু নিংঙোম্বম ইবোবী সিংহ নিংশিং মনানা ঙারিয়ানবম তোমচা সিংহদা পীরগনি। মনাশিং অসি মথং থা জনুৱারি ১২ দা ইম্ফাল ইষ্টকী খোংমন জোন ফাইভতা লৈবা সেন্তর অসিদা লান্থোক্কনি হায়রি।

আর্কাইবস (এল)ঃ ৪৩ শুবা আরকাইবস ৱিক সেলেব্রেসন কম রেকোর্দ একজিবিসন ঙসিদগী ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আরকাইবসতা হৌখ্রে। থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথ্লগদৌরিবা আরকাইবস ৱিক সেলেব্রেসন হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহনা হায়- মীয়ামা তুংদা কান্নরক্কদবা মরুওইবা দোক্কুমেন্টশিং মণিপুর ষ্টেট আরকাইবসতা পীদুনা নিংথিনা থমবা হোৎনবা তঙাইফদে। মসিনা তুংগী হোৎরক্লিবা মীরোলদা কান্নবা কয়া পীগদৌরিবনি। থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর কে.দিনামনি সিংহ অমসুং মণিপুর ষ্টেট আরকাইবসকী দিপ্যুতি দিরেক্তর ৱাই. য়াইমা দেবীনচিংবা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল)ঃ মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন লিংখৎখিবা চহি ৯১ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা নুমিৎ নিনি পাঙথোক্কদবা কলচরেল রেগাল ২০২৪ ঙসিদগী পুনানামৈদা লৈবা অসুফি খৃষ্টান ইন্সটিট্যুটতা ঙসি হৌদোকখ্রে। মাও বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লোসি দিখো থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

কোচিং (এল)ঃ ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমশি হায়বা ৱাখল্লোনদা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ)না চহি খুদিংগী পাঙথোকপা একাদমিক কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা এম.এস.এফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমিতিনা জিলা অসিগী খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লেমা লাইরিক তম্বীবগী কোচিং কেম্প অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা জোনেল ইদুকেসন ওফিসার থৌবালসু শরুক য়াখি।

মীতৈ (এল)ঃ মীতৈ কাউন্সিল মোরে অমদি মীতৈ সোসাইতি চুরাচান্দপুরগী মীহুৎশিংনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমদি মরী লৈনবা জিলাগী দি.সিশিং য়াওবা অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা মোরে অমদি চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱাকৎশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মীহুৎশিং অদুনা পুখৎলকপা ৱাফমশিং নিংথিনা তাদুনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকপবু লুপশিং অসিনা অপেনবা ফোংদোকখ্রে।

ককচিং (এল)ঃ ককচিংগা খুল লোন্নরিবা খুলশিংগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ককচিংগী ইরুম তুরেলগী দিমার্কেসন তৌবা অমদি শেংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জে.এন.জি.ভি.ও, ওল ককচিং ক্লব কোওর্দিনেতিং কমিতি, ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, ককচিং অপুনবা নুপী লুপ, ওল ইরেংবন ফুটবোল এসোসিয়েসন, ওল খা কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী নহাশিং থবক ফংদবগী সমস্যশিং কোকহন্নবগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নহা ১৬৪, উখ্রুল জিলাদা ৫২, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলাদা ৭২, চুরাচান্দপুরদা ১৩০, থৌবাল অমসুং চান্দেলদা পুন্না নহা ২০২ দা তোঙান তোঙানবা স্কিল ত্রেনিংশিং পীখ্রে।

অমরোমদা, ওপরেসন সদভনাগী শরুক অমা ওইনা চুরাচান্দপুর জিলাগী জিকপি তম্পাক্তা লিতর লিশিং ৫০ ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমা শাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

চান্দেল জিলাগী ফোইলেন খুল অমসুং নিউ সোমতালদসু সে নো টু ড্রগস হায়বা হিরমদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখি।

টেক (এল)ঃ  নেসনেল ইন্সটিটুট্যট ওফ টেকোলোজি মণিপুরগী ১১ শুবা কনভোকেসন ইন্সটিটুট্যট অসিগী লাঙ্গোলদা লৈবা কেম্পসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কনভোকেসন থৌরম অদুদা মহৈরোই ৮৪ দা মখোয়গী দিগ্রিশিং খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা হান্নগী আই.আই.টি ভুবনেশ্বরগী দিরেক্তর ওইরম্বা প্রোফেসার রতম ভি. রাজাকুমার অমদি চেয়ারমেন বোর্দ ওফ গভর্নর শ্রী বজ্রংলাল ভগ্রা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট(এল)ঃ  মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দশিংদা চখ্থরিবা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন.সি.এ. নিংথৌখোংনা এস.দি.সি লাইফম খুনৌবু ৱিকেট ৫ দা, ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইনা এস.য়ু শগোলবন্দবু রন ৩৬ তা মায়থিবা পীখি।

অমরোমদা, মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা পি.সি.সি. ময়াইকোইবীবু ৱিকেট ২ দা অমদি সি.বি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইনা য়ু.সি.সি. কাংচুপ রোডপু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ  মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌনা বি.কে.সি.সি. বামোনকমপুবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মুকা (এল)ঃ  কুম্বি কলেজনা য়ুম্নু ওইদুনা খুরাইজম অপাবী সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ মুকা তুরনামেন্ট ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। কিলোগ্রাম ৬০ গী মখাগী কেটাগোরিদা ৱাই.কে. কলেজগী

এল. রিসিকান্ট অমদি কিলোগ্রাম ৬০ গী মথক্কী কাংলুপ্তুনা ককচিং খুনৌ কলেজগী এস. গোবিনদাসনা ৱিন্নর ওইখি। ৱাই.কে কলেজ ৱাংজিংনা টিম চেম্পিয়ন অমসুং ককচিং খুনৌ কলেজনা রন্নরসঅপ তাখি।

ফুটবোল(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিনবা ৬ শুবা এস.ঐচ. মনি শর্ম্মা মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ ঙসিদগী হৌখ্রে। পাময়াল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আই.এম.এ ফুটবোল একাদমি ৱাংগোইনা এম.আই.য়ু.এফ.সি ময়াংইম্ফালবু পাঞ্জল ২-১ দা অমসুং এন.বি.সি.এ তাকয়েল খোঙবাননা কে.কে.ৱাই.য়ু কৈশামথোংবু পাঞ্জল ১-০ মায়থিবা পীখি।

------